# বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড সুপর সেরিজ যুমশকৈশা নুমিৎতগী চথবা হৌরগনি

## পি ভি সিন্ধুনা অহানবা মেচতা জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা শান্নগনি



দুবাই, দিসেম্বর ১৩ :

চহী অসিগী লেমজনিংঙাই ওইবদা নত্তনা অরোইবা বেদমিন্টন টুর্ণামেন্ট অমা ওইরিবা বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড সুপর সেরিজ যুমশকৈশা নুমিৎতগী চহী অসিগী টোপ প্লেয়র নিপাননা শরুক য়াদুনা মফম অসিদা চথরগনি।

সুপর সেরিজ সার্ক্যুটকী লৈরিবা টুর্ণামেন্ট ১২ গী মনুংদা বি দব্লিয়ু এফ টুর্ণামেন্ট অসিনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্ণামেন্ট অমা ওইরিবনি। মসিগী টুর্ণামেন্ট অসিদা উৎখিবা পার্ফোমেন্স বেসিসতা যুম্ফম ওইরগা প্লেয়রশিংনা কম্পিটিসন অসিগী দিসিপ্লিন মঙাদা শরুক য়ানবগী ক্বালিফাই ওইগনি। দিসিপ্লিন মঙা অদুদি মেন'স সিঙ্গলস, ৱিমেন'স সিঙ্গলস, মেন'স দবলস, ৱিমেন'স দবলস অমদি মিক্স দবলসনি। অদুগা ফাইনেলনা দিসেম্বর ১৮ দা শান্নগনি।

অমরোমদা, রিও ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ন ওইরি। মহাক্না কম্প্রেট্রিওট সাইনা নেহৱালবু নক্ষৎলল্লগা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। সাইনানা লিষ্টকী মাপনশুবা মফমদা লৈখি। সিন্ধুনা হন্দক্তা লোইশিনবদা ঙাইখিবা চিনা ওপন অমদি হোং কোং ওপনদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিবা অদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। মসিগী এলিট ইভেন্ট অসিদা সিন্ধুনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা মহাক্কী অহানবসু ওইরি। মহাক্না টুর্ণামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিদা অনীশুবা সীদ অকানে য়ামাগুচি, ৱর্ল্ড নম্বর তরুকশুবদা লৈরিবা সুন য়ু অমদি ৱর্ল্ড নম্বর টু কারোলিনা মারিনগা তাম্নিন্নরি।

গ্রুপ এদা টোপ সীদ অমদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান টাই টজু য়িং, ৱর্ল্ড নম্বর ফাইভতা লৈরিবা সুং জি হয়ুন, রাটচনোকইন্টানোন অমদি হি বিংজিঅওগা তাম্নিন্নরি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী রুল মতুংইন্না গ্রুপতা য়াওরিবা প্লেয়রশিংনা অমগা অমগা মায়োক্নদুনা শান্নরবা মতুং টোপ পার্ফোমর অনীনা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনগনি।

চহী অসিগী অরোইবা টুর্ণামেন্ট অসি ইন্দিয়াগী মতমদা অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা শান্নবা হৌগনি। ইন্দিয়াগী শট্লর পি ভি সিন্ধুনা অহানবা নুমিৎকী মাপনশুবা মেচতা জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। অনীশুবা মেচতা সিন্ধুনা চিনাগী সুন য়ুগা লম্বা তৌনগনি অমদি অহুমশুবা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর টু কারোলিনা মারিনগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোবু খ্বাইদগী ফবা ফুটবোল্লরগী ভোট পীখ্রে, মরিরকশুবা ওইনা বেল্লুন দি'ওর এৱার্দ ৱিন্নর ওইখ্রে

পেরিস, দিসেম্বর ১৩ :

খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মরিরকশুবা ওইনা বেল্লুন দি'ওর এৱার্দ ৱিন্নর ওইদুনা শিংথানরবা ফুটবোল্লর অমা ওইখ্রে।

রোনাল্ডোনা চহী অসিদা পোর্টুগালবু য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টাটল লৌহনখি অমদি রিয়েল মেদ্রিদপু রেকোর্দ ওইনা চেম্পিয়ন্স লীগকী লুহুপ উপহনখি। রোনাল্ডোনা বার্সেলোনাগী অর্জেন্টাইন ফোরৱার্দ লিওনেল মেসিনা রেকোর্দ ওইনা এৱার্দ অসি মঙারক লৌখিবা অদুদগী অমখক তাথনা লৈরি।

কুমজা ২০০৮, ২০১৩ অমদি কুমজা ২০১৪ গী বেল্লুন দি'ওর এৱার্দ লৌখ্রবা রোনাল্ডোনা হায়খি, ঐগীদমক্তদি মরিরকশুবা ওইনা গোল্ডন বোল ফংবা অসি খ্বাইদগী চাউবা ইকাই খুম্নবীবা অমনি। মসি তশেংনা মঙলান অদু তাইবংদা থোকপনি। ঐনা কৈদৌঙৈদা মরিরকশুবা ওইনা ৱিন্নর ওইগনি হায়বসি খল্লুবা তৌদে। ঐহাক য়াম্না হরাউই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, রোনাল্ডোনা বেল্লুন দি' ওর এৱার্দ ফংলগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈখিবা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা এৱার্দ অসিবু লৌনবা শেম শাদুনা লৈখি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

সিজন অহুমগী মনুংদা অনীশুবা চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌহনখিবদা নত্তনা পোর্টুগালবু মখোয়গী অহানবা মেজর টাইটল ওইনা য়ুরো ২০১৬ কী ৱিন্নর ওইহনখিবদা চাউনা মতেং পাংখিবা রোনাল্ডোগী ওইনদি চহী অসি মপুং ফাবা অমা ওইরি। রোনাল্ডোনা মহাক্কী মশমবু সনা মচু শঙজিন্দুনা চয়োল অসিদা ট্রেনিং তৌবা মীয়াম্না উনখি অমদি পোর্টুগিজ অসিনা করিগুম্বা বেল্লুন দি'ওর ফংবদা লিওনেল মেসিদগী য়েংনবদা অমা তাথরগা মহাক্কী মরিরকশুবা এৱার্দ ওইগনি।

রিয়েল মেদ্রিদপু থংন-থংননা মেচ ৩৫ মায়থীবা য়াওদনা মায় পাক্না চঙশিনবা ঙম্বগী অনৌবা ক্লব রেকোর্দ থমহনখিবা কোচ জিনেদাইন জিদাননা হায়খি, ঐহাক্কী ওইনদি হীরম অসিদা করিগুম্বা মখলগী য়েংননিংঙাই অমত্তা লৈতে। বেল্লুন দি'ওর এৱার্দতি রোনাল্ডোগীনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মমাঙ থাদা এথলেটিকো মেদ্রিদকী মায়োক্তা হেট-ট্রিক ফংদুনা লা-লীগাদা রিয়েল মেদ্রিদপু খ্বাইদগী মকোক্তা পুখৎখিবা রোনাল্ডোগী মতাংদা জিদাননা হায়, মহাক্না মমাঙ সিজনদসু মহাক্কী তৌবা ঙম্বা মতীং অদু উৎখ্রে অমদি মখা তানা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না মহাক্কী তৌবা ঙম্বদু উত্তুনা লাক্লি। ঐখোয়না মঙোন্দা থাজবা থম্মী অমদি মহাক্না মতম পুম্নমক্তা ময়ামদগী থোইদোক হেন্দোক্না মকোক ওইনা লাক্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রোনাল্ডোনা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরিঙৈদা প্রেমিয়র লীগ অমদি চেম্পিয়ন্স লীগ লৌহনখ্রবা মতুং কুমজা ২০০৮ দা মহাক্কী অহানবা বেল্লুন দি'ওর এৱার্দ লৌখি। মতুং তারকপদা লিওনেল মেসিনা এৱার্দ অসি মথং-মথং লেপ্তুনা ফংদুনা লাকখ্রবা মতুং রোনাল্ডোনা কুমজা ২০১৩ দা মহাক্কী অনীশুবা বেল্লুন দি'ওর এৱার্দ লৌখি অমদি মথং চহীদা অহুমশুবা ওইনা এৱার্দ অসি লৌখি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৫৬ তগী অহানবা ওইনা পীবা হৌরকখিবা বেল্লুন দি'ওর এৱার্দ অসি মতম অদুদা ব্লেক পুলদা য়াওরম্বা ষ্টেনলি মেথিয়ুসনা অল্ফ্রেদোদি ষ্টেফানোবু মায়থীবা পীরল্লগা লৌখিবনি।

পোর্টুগিজ ষ্টার অসিনা হায়খি, টেক্স থিবা-থিদবগী মতাংদা লৈরিবা ৱাথোক্তা মীয়াম্না ঐহাক মথা শারমগনি হায়না খল্লম্বা য়াই অদুবু মরাল লৈতবা মীওইদি কৈদৌঙৈদা অকিবা অমদি অৱাবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।



# এ বি দি ভিল্লিয়র্সনা সাউথ অফ্রিকাগী টৈষ্ট কেপ্টেন ওইবদগী পোথাখ্রে, শ্রীলঙ্কাগী সেরিজদা য়াওররোই



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৩ :

এ বি দি ভিল্লিয়র্সনা সাউথ অফ্রিকাগী টৈষ্ট কেপ্টেন ওইবদগী পোথারে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্নখিবা সেরিজদা শান্নবা য়াওখিদবা দি ভিল্লিয়র্সনা মশাগী খুনিংদা অশোকপা লৈরিবা অদু ফঙৎপা ঙমদবদগী লাক্লিবা শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা শান্নগদবা মেচ অহুমগী টৈষ্ট সেরিজদা য়াওররোই।

ফাফ দু প্লেসিসপু পার্মনেন্ট টৈষ্ট কেপ্টে ওইনা ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকানা হাপখ্রে।

দি ভিল্লিয়র্সনা হায়খি, ঐহাক য়াওনা ইন্দিভিজুয়েল অমা হোক্তগী ইন্টরেষ্টতগী টিমগী ইন্টরেষ্টনা মতম পুম্নমক্তা হেল্লি। ঐহাকপু টৈষ্ট সাইদকী কেপ্টেন ওইনা হাপখিবা অদু ঐগীদমক্তদি ভাবনা শাবা ঈকায় খুম্নবা অমনি। অদুবু ঐনা সেরিজ অনী শান্নবা য়াওখিদে অমদি ঐনা হৌজিকসু শ্রীলঙ্কাগা মায়োক্নগদৌরিবা সেরিজদসু শরুক য়াদবা য়াই। ওষ্ট্রেলিয়াদা উৎখিবা স্কাদকী মশক থোক্লবা পার্ফোমেন্স অদুগী মতুংদা টিমগী ইন্টরেষ্টতা ফাফ দু প্লেসিসপু পার্মনেন্ট টৈষ্ট কেপ্টেন ওইনা কনফার্ম তৌখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সাউথ অফ্রিকাগী টিম মেনেজর দা. মাহম্মেদ মুসাজীনা হায়খি, দি ভিল্লিয়র্সনা মহাক্কী ফুল ফিটনেস ওইনবগীদমক চয়োল ৩/৪ রোম পোথাবা মথৌ তারি হায়খি।

দু প্লেসিসকী মখাদা সাউথ অফ্রিকানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মখোয় মশাগী বেকয়ার্দমক্তদা মায়থীবা পীখিবনি। ঐনা ফাফপু চাউরাক্না চহী ২০ রোম মশক খঙদুনা লাক্লে। মতম অদুদগী ঐখোয়না অফ্রিকান্স হোর সেনস্কুলগী চপ মান্নবা স্কুলদা শান্নখি হায়না দি ভিল্লিয়র্সনা ফোঙদোকখি।

দি ভিল্লিয়র্সনা হাশিম অম্লানা কেপ্টেন ফমদগী পোথাখ্রবা মতুং সাউথ অফ্রিকাগী অশাংবা ফোর্মেট গেমগী টিম কেপ্টেনগী চার্জ লৌখি। মহাক্না ইংলেন্দগী মায়োক্তা টৈষ্ট মেচ অনীদা টিমবু লুচিংখি। মতম অদুদগী মহাক্কী খুনিংদা অশোকপা লৈখিবদগী মহাকপু ইন্টরনেসনল মেচশিংদগী লাপথোক্না লৈরকখি।

# নেসনল শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা টোপ শুটরশিংনা লম্বানগদৌরি

পুনে, দিসেম্বর ১৩ : রিও ওলেম্পিয়ন জিটু রাই য়াওনা ইন্দিয়াগী টোপ শুটরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী চথবা হৌখ্রবা ৬০শুবা নেসনল শুটিং চেম্পিয়নশিপ ফোর রাইফলস এন্দ পিষ্টলদা ৱিন্নর ওইনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনরি।

চথবা হৌখ্রবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহৌবদা শুটরশিংনা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল, মিটর ৫০ গী পিষ্টল অমদি মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টলদা অকনবা লম্বা তৌনরি।

নুপাগী মিটর ৫০ গী পিষ্টল অমদি নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টলগী ফাইনেলনা যুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। চহী অসিগী পাঙথোক্লিবা কম্পিটিসন অসিদা রেকোর্দ ওইনা লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তগী অপুনবা শুটর ৪৫০০ না শরুক য়ারি।

নেসনল রাইফলস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) গী প্রসিদেন্ট রানিন্দর সিংহনা হায়খি, লাক্লিবা চহী অসি ঐখোয়গীদমক্তদি মরু ওইবা ওইরি। লৈবাক অসিনা কুমজা ২০১৭ তা প্রেমিয়র ৱর্ল্ড ইভেন্ট অনী যুম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

লাক্লিবা ফেব্রুৰারীগী অরোইবা চয়োলদা ন্যু দেল্লিনা যুম্ব ওইদুনা অহানবা লেগকী আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মাঙওইন্না পাঙথোক্লিবা ৬০শুবা নেসনল শুটিং চেম্পিয়নশিপ অসিদগী ঐখোয়গী অফবা শুটরশিং খনগৎলগা শরুক য়াহন্নবগী খুদোংচাবা অমসু ফংলে। মসিগী নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিনা লাক্লিবা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা লৌদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

৬০শুবা এন এস সি সি (রাইফলস/পিষ্টল) অসিদা অপুনবা ফাইনেল ইভেন্ট ৩১ পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুংদা ১৫ না সেনিয়র কেটগোরিদা অদুগা ১৬ না জুনিয়র কেটগোরিগীনি।

# উদিটানা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৮ স্কাদপু নুপীগী হোকি এসিয়া কপ্তা লুচিংগনি

## মণিপুরগী দিফেন্দর সুমন দেবী থৌদাম টিমদা য়াওরে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৩ :

মিদফিল্ডর উদিটানা মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদ অমবু লুচিংদুনা দিসেম্বর ১৬ তগী ২২ ফাওবা থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফোর্থ ৱিমেন অন্দর-১৮ এসিয়া কপ্তা শরুক য়াগনি।

সালিমা টেটেনা লাক্লিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা উদিটাগী দিপ্যুটি ওইনা থৌ পুগনি হায়না হোকি ইন্দিয়া (ঐচ আই) না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখি। হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙ-থোকখিবা হোকি সেরিজদা নেসনল সাইদতা য়াওদুনা মতীং থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিবা মশাগী চহী ১৪ শুরবী সালিমানা ইন্দিয়ান দিফেন্সতা মরু ওইবা প্লেয়র মেম্বর অমা ওইরি। মহাক্না দিফেন্স লাইনদা রিটু, নীলু দাদিয়া, মণিপুরগী সুমন দেবী থৌদাম অমদি গগন্দীপ কৌরগা লোয়ননা গোলকিপর দিভয়া থেপে অমদি অলফা কের্কেট্টাগা পুনমিন্নরি।

মিদফিল্ডদা হৈথোই-শিংথোইরবা নহা ওইরিবশিং মনপ্রীট কৌর, জয়োটি, মারিয়ানা কুজুর, মহিমা চৌধরি অমদি লালরেমসিয়ামিদা নত্তনা স্কিপর উদিটা য়াওরি।

ফোরৱার্দ লাইনদা সঙ্গিটা কুমারি, পুনম, লীলাভাথি মাল্লামাদা জায়া, রাজৱিন্দর কৌর অমদি মমটাজ খান য়াওরি।

ইন্দিয়াগী অন্দর-১৮ টিমগী স্কিপর উদিটানা হায়খি, নুপীমচাশিং অসিনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মতীং থোক্না পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মসি ঐখোয়গুম্বা নহা ওইরিবা প্লেয়রশিংগীদমক্তদি তম্নবগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা অদু ওইরি। টিম অসিনা বেঙ্কোক্তা শান্ননবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লি। ঐখোয় য়ুনিট অমা ওইনা নিংথিনা শান্নরি অমদি ওপোনেন্টকী মায়োক্তা ঐখোয়গী খ্বাইদগী ফবা খুৎশান্নদু উৎথোক্নবা লেপ্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী অন্দর-১৮ গী স্কাদ মেম্বরশিং অদুদি গোলকিপরদা দিভয়া থেপে অমদি অলফা কের্কেট্টানি। দিফেন্দরদা সালিমা টেটে (ভাইস কেপ্টেন), রিটু, নীলু দাদিয়া, সুমন দেবী থৌদাম অমদি গগন্দীপ কৌরনি। মিদফিল্ডরদা উদিটা (কেপ্টেন), মনপ্রীট কৌর, জয়োটি, মারিয়ানা কুজুর, মহিমা চৌধরি অমদি লালরেমসিয়ামিনি।

ফোরৱার্দতা সঙ্গিটা কুমারি, পুনম, লীলাভাথি মাল্লামাদা জয়া, রাজৱিন্দর কৌর অমদি মমটাজ খাননি।

# ভিরাট কোহলিনা আই সি সিগী ও দি আই বেটসমেন রেঙ্কিংদা নম্বর টুদা লৈখ্রে



দুবাই, দিসেম্বর ১৩ :

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ইনৌ নৌনা থোকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) গী বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা টিম ইন্দিয়াগী ভাইস-কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলিনা অনীশুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর দেভিদ ৱার্নরনা কোহলিদগী পোইন্ট অনীখক্তমক তাথনা লৈখিদুনা অহুমশুবা মফম কল্লি।

কোহলিনা মমাঙদা ৱার্নরদগী পোইন্ট ৬২ মাঙজিল থানা লৈখ্রবসু ওষ্ট্রেলিয়ন অসিনা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা চাপেল-হেদলি সেরিজদা মতীং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৩-০ দা সেরিজ অদু মায় পাকহনখিবদগী পোইন্ট অনীখক্তদা খেন্নরকখিবনি। ৱার্নরনা সেরিজ অদুদা রন ২৯৯ লৌদুনা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ষ্টার বেটসমেন ওইখিবদগী মহাক্কী হান্নগী অহুমশুবা মফমদা লেঙদনা লৈবা ঙমখি। অদুগা সাউথ অফ্রিকাগী বেটসমেন এ বি দি ভিল্লিয়র্সনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈদুনা কোহলিদগী পোইন্ট ১৩ মাঙজিল থানা লৈরি।

লাক্লিবা কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৰারী ১৫ দগী ২৩ ফাওবা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগী মায়োক্তা ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) মেচ অহুমগী সেরিজ অমা, ওষ্ট্রেলিয়ানা কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৰারী ১৩ দগী ২৬ ফাওবা পাকিস্তানগী মায়োক্তা ও দি আই মেচ মঙাগী সেরিজ অমা অমসুং সাউথ অফ্রিকানা কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৰারী ২৮ দগী ফেব্রুৰারী ১০ ফাওবা শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা ও দি আই মেচ মঙাগী সেরিজ অমা শান্নগদৌরিবা অসিনা মথংশিংনা ভিরাট কোহলি, দেভিদ ৱার্নর অমদি এ বি দি ভিল্লিয়র্সনা লিষ্ট অসিগী মকোক থোংবা মফম কন্নবগী চঙশিনগদবা লাঞ্জং অমা মায়োক্লরি।

আই সি সিগী ও দি আই বেটসমেন রেঙ্কিং লিষ্টতা ন্যু জিলেন্দগী ওপনর মার্টিন গুপ্টিল, ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেভ স্মিথ, মিটচেল মার্স অমদি জোস হাজেলৱুদসু মখোয়গী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী অৱাংবা রেঙ্কিংগী মফমশিং কনবা ঙমখি। গুপ্টিলনা চাপেল-হেদলি সেরিজদা অপুনবা রন ১৯৩ লৌবা ঙমখিবদগী হান্নদগী মফম অনী হায়গৎলগা তরুকশুবা মফমদা লৈখি।

অদুগা ষ্টেভ স্মিথসু সেরিজ অদুদা রন ২৩৬ লৌবা ঙমখিদুনা হান্নদগী মফম তরুক কাখৎলগা ১০শুবা মফমদা লৈখি। মিটচেল মার্সনা হান্নদগী মফম অহুম হায়গৎলগা ২২শুবা মফমদা অদুগা জোস হাজেলৱুদনা হান্নদগী মফম ১২ কাখৎলগা ১১শুবা মফমদা অফঘানিষ্টানগী মোহম্মদ নাবিগা পুন্না লৈমিন্নখি।

চাপেল-হেদলি সেরিজদা অপুনবা ৱিকেট নিপান লৌবা ঙমখিদুনা সেরিজ অদুগী খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইখিবা পেট কুমিন্সনা ৪৭শুবা মফমদা হল্লকপা ঙমখ্রে অদুগা জেমস ফোল্কনরনা মফম অনী চোংখৎলগা ২৩শুবা অমদি মিটচেল সান্টনরনা মফম ১৬ হায়গৎলগা ৫০শুবা মফমদা লৈখ্রে।

লিষ্ট অসিদা ট্রেন্ট বোল্টনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি অদুগা সাউথ অফ্রিকাগী ইমরান টাহিরনা পোইন্ট নিপান তাথনা লৈদুনা অনীশুবা অদুগা ৱেষ্ট ইন্দিজগী সুনিল নরাইননা টাহিরদগী পোইন্ট অমা তাথরগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

অমরোমদা, ওল রাউন্দরগী লিষ্টতা হান্নদগী অহোংবা য়াওদনা বাংলাদেশকী শাকিব অল হাসননা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। এঞ্জেলো মেথিয়ুস, মোহম্মদ নাবি, জেমস ফোল্কনর অমদি মিটচেল মার্সনা মথংশিংনা অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমদি মঙাশুবা মফমদা লৈরি।

আই সি সিগী ও দি আই রেঙ্কিংদা ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্নগী পোইন্ট ১১৮ দগী ১২০ দা হায়গৎলক্তুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। ন্যু জিলেন্দনা মরিশুবা মফম কনখ্রে। ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফম কল্লি।

# ভিরেন্দর কুমারনা ওলেম্পিয়ন দিনেশ কুমারবু থিন্দৎতুনা ফাইনেল চঙখ্রে

লক্ষনৌ, দিসেম্বর ১৩ : কয়া থোইনা খঙনদ্রিবা ভিরেন্দর কুমারনা মফম অসিদা চথরিবা সেনিয়র মেন'স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী নিংথৌৰবা নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল বাউটতা ওলেম্পিয়ন দিনেশ কুমারবু কেজি ৯১ গী কাঙলুপ্তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ভিরেন্দর কুমারনা ওলেম্পিয়ন দিনেশ কুমারবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখি। মশাগী অশোকপা লৈখিবদগী মতম কুইনা শান্নদনা লাকখ্রবা দিনেশনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল অমদি ক্বার্টর ফাইনেলদা য়াম্না লায়না খুমাঙ চাউশিল্লকখি। অদুবু সেমী ফাইনেল বাউটতা মহাক্কী মায়োক্নখিবা ভিরেন্দরগী মখুৎতা নিংথিনা লেপ্পা ঙমখিদে। ভিরেন্দরনা অহানবা রাউন্দদা অথুবা পঞ্চশিং পীশিনখিদুনা নক্ষৎখি। অদুবু দিনেশনা মতীং থোক্লবা শাফুশিং পীরকখ্রবসু মতম থেংখিবনা কান্নবা ফংখিদে।

কেজি ৯১ কাঙলুপকী মথক্কীদা ইন্টরনেসনল পর্বিন কুমারনা মহাক্কী মরেপ ৱাংলবা রাইভেল অম্রিতপ্রীট সিংহবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অতোপ্পা ৱেঠ কেটগোরিগী বাউটশিংগী মনুংদা কেজি ৪৯ গী সেমী ফাইনেল মেচতা আর এস পি বিগী শ্যামকুমারনা মহারাষ্ট্রগী অক্সেবু আর এস সি (ও সি) দা মায়থীবা পীখি। অদুগা হরিয়ানাগী অমিটনা ৱার্ক ওভর ফংখি। কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা এস এস সি বিগী মোহম্মদ হুসামুদ্দিননা উত্তরখন্দগী শেরন সন্ধুবু ৫-০ দা অমদি হরিয়ানাগী অক্সেনা অন্ধ্র প্রদেশকী গিদি ভেঙ্কটাবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখি।

কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা আর এস পি বিগী রোহিৎনা ওল ইন্দিয়া পুলিসকী সন্দীপপু ৩-২ দা অমদি এস এস সি বিগী থোমাস মৈতৈনা মণিপুরগী রোসন সিংহবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখি।

কেজি ৬৯ গী কাঙলুপ্তা আর এস পি বিগী মনোজ কুমারনা চান্দিগড়গী অঙ্কুস হুদাবু ৫-০ দা অমদি এস এস সি বিগী দুর্যদর্ন সিংহনা দেল্লিগী প্রয়াগ চাভহানবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 8th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm
Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd Dec. 2016 Limited Seat




Felicitation of Toppers of HSLCE 2016
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Contact : 9856988840, 9402897710, 8732022342
VAN SERVICE AVAILABLE
HL-B/3446/8/12-6/01